**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 01-09-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ০১-০৯-২০২৫, নিংথৌকাবা)**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবা, লালহৌবশিং, খূৎশু খূৎলাই অমসুং দ্রগ ফাগৎপা লেপত্রি।

২) অনিশুবা ইষ্ট জোন পেদিয়াত্রিক রিয়ুমেতোলোজি সোসাইতি কনফরেন্স মণিপুরনা যুম্মু ওইদুনা ঙরাং ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মীফম য়াওবা লাকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং চাইনাগী রাস্ত্রপতি সি জিনপিং উনদুনা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবা ৱারি শান্নখ্রে।

**------**

**পুলিসঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবা, লালহৌবশিং, খূৎশু খূৎলাইশিং অমসুং দ্রগ ফাগৎপা লেপত্রি।

রাজ্য পুলিসকী পাউনা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কান্তো শাবল কৈঙমদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা ফারে। ইম্ফাল ইষ্ট

জিলাগী লম্লাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা তখেল অৱাং লৈকাইদগী অতোপ্পা প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমসু ঙরাং ফারে।

রাজ্য পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীওই অনি ফাগৎলে। মখোয়দগী ঐচ.কে থর্তি থ্রি রাইফল ৭, এম ফোর-এ ৱান কর্বাইন ২, গ্লোক পোইন্ট ফোর্তি ফাইভকী ওতো পিষ্টোল ২অমসুং মেগজিন ৪ অমসুং পোইন্ট ফোর্তি ফাইভকী নোংমৈ মরু ১০০ য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফংলে হায়রি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী সিংহাৎ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা জোলজাম খুলদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ব্রাউন সুগর ললোনবা মীওই অনি ফারে। মখোয়না হায়দোরকপদগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সাপোন কেপ ২৪ দা হাপ্তুনা থম্লম্বা ব্রাউন সুগরশিং ফাগৎলে হায়রি। তেংনৌপল চেকপোষ্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদসু দ্রগ ললোনবা মীওই অনি দল্লিয়ু ৱাই তেব্লেট কিলোগ্রাম ৩ গ্রাম ৩৮৭ অমদি চাকা মরি পানবা গারি অমগা লোয়ননা ফাগৎলে। মখোয় অনিমক মোরে প্রেমনাগর ৱার্দ নম্বর ফোরদগীনি হায়রি।

**মীফম (এল)ঃ** অনিশুবা ইষ্ট জোন পেদিয়াত্রিক রিয়ুমেতোলোজি সোসাইতি কনফরেন্স মণিপুরনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙরাং হোতেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ইষ্ট জোন পেদিয়াত্রিক রিয়ুমেতোলোজি সোসাইতি অমসুং পেদিয়াত্রিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অৱাং নোংপোক লমদমদা অঙাংশিংবু লায়েংবগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি। হৌদোকপগী থৌরম অদুদা রাজ্যগী হেলথ সর্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডা.চন্বো গোনমৈ অমসুং পেদিয়াত্রিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা রিমসকী পেদিয়াত্রিক্স দিপার্টমেন্টকী মকোক প্রোফেসর সি.ঐচ স্যামসুন্দরনা মীফম অদুগী অথোইবা লেংবীরকপা অমসুং মীফম মপু ওইনা

শরুক য়াখি। অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদগী মীহুৎ কয়ানা শরুক য়াখিবা মীফম অদুদা বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা খন্ন-নৈনবা অমসুং লম অসিদা পুন্না লৌমিন্নবা য়াবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু ফোঙদোকখি।

**রিমস (এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস(রিমস) ইম্ফালনা ফিট ইন্দিয়া মিসনগী মখাদা নেসনেল স্পোর্টস ডেগী শরুক অমা ওইনা নুমিৎ হুমি চুপা পাঙথোরকপা থৌরম অদু ঙরাং সাইকল রেল্লি অমা পাঙথোক্তুনা লোইশিনখ্রে। মীয়াম্বু মশা মউ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা যোগা অমসুং বেটমিন্তন শান্নবগী থৌরমশিংগা লোয়ননা হকচাং ফনা লৈনবগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবগী থৌরমশিং নুমিৎ হুমি অদুগী মনুংদা পাঙথোকখি। ঙরাং পাঙথোকখিবা সাইকল রেল্লি অদু রিমসকী দাইরেক্তর প্রোফেসর জি.সুনিল কুমার শর্মনা লমথাখি। সাইকল রেল্লি অদুদা রিমসকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিং, ফেকলতি মেম্বরশিং স্তাফ অমসুং মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

**এম.সি.এম (এল)ঃ** মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মোহরে অমদি চুরাচান্দপুরদগী লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিংদা সরকারগী ৱান তাইম ইন্তরিম রিলিফ ফাইনান্সিয়েল এসিসতেন্সকী শেনফম ফংলে হায়বসি অরানবনি হায়না মৈতৈ কাউন্সিল মোহরেগী চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়-হৌজিক ফাওবদা সরকারনা শেলগী তেংবাং ওইনা লাউথোকখিবা অপুনবা শেনফমগী চাদা ৫০ দি ফংবা য়াওনরে। মীওই কয়া অমদি তেংবাং অমত্তা ফংদবা য়াওরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

**এআর (এল)ঃ** নেসনেল স্পোর্টস ডে ২০২৫ গা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা নুমিৎ হুমি চুপা পালন থোরমশিং পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-চান্দেল জিলাগী শজিক তম্পাক, লোংজা, রিংফে, মোলচাম অমসুং চাংপোলনচিংবা মফমশিংদা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা মশা মউ ফনা লৈননবগী পাউজেল শন্দোকপা ওইনা শান্ন খোৎনবগী থৌরম কয়া পাঙথোকখি। থৌবাল জিলাদস্ ঙরাং ফ্রেনলি বোল্লিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখি।

তেংনৌপল জিলাগী এস.মোলজোল খূলদসু ফ্রেনলি বোল্লিবোল মেটচ অমা পাঙথোকখি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ককচিং জিলাগী শেরৌ অমসুং উখ্রুল জিলাগী তুশোম খুলেনদা লেমা লায়েংবগী কেম্পশিংসু পাঙথোকখি হায়রি।

**মোদিঃ** চাইনাগী তিয়ানজিনদা চথরিবা সাংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসনগী মীফম য়াওবা লাকপদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং চাইনাগী রাস্ত্রপতি সি জিনপিংনা তোঙান্না উনদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা অমসুং মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱারি শান্নখি। মীফম লোইরবা তুংদা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়- লৈবাক অনিগী মরক্তা অমনা অমবু ইকাই খুমবা হেনগৎহন্দুনা ঙমখৈ লমদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা লৈহন্নবা ৱারি শান্নবা অদুদা য়ানখি। মসিগী মথক্তা লৈবাক অনিগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবসু লুচিংবা অনিনা উনবা অদুদা য়ানখি। শ্রী মোদিনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট-- মোদি**

লুচিংবা অনিনা উনবা অদুদা, মালেমগী ইকোনোমি অমসুং ললোন ইতিক্কী লমদা ভারত অমসুং চাইনানা লৌরিবা থৌদাংশিং পুথোক্তুনা খন্ন-নৈনখি। লৈবাক অনিগী মরক্তা ললোন ইতিক অমসুং শেল থাদবগী লমদা হেন্না তেংবাং

পীননবসু খন্নখি হায়রি।

**মুরমুঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী কর্নাতক অমসুং তামিল নাদুগী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মহিসুরুদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ স্পিচ এন্দ হিয়ারিংগী দাইমন্দ জ্বিলি থৌরমদা রাস্ত্রপতিনা শরুক য়াগনি। হয়েংনা চেন্নাইদা লৈবা সিতি য়ুনিয়ন বেঙ্ককী ১২০ শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। তিরুবারুরদা লৈবা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিতি ওফ তামিল নাদুগী ১০ শুবা কনভোকেসনদস্ রাস্ত্রপতিনা শরুক য়াগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

থাদৌ লুচিংবা নেহকম জোমহাও তমথিনা হাৎলম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকরকপা, চেন্নবনি হায়বা মীওই ৬ ফাখিবা, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি থা অসিদা মণিপুরদা লাক্লবা য়াই অমসুং নার্কোতিক্স এন্দ এফিয়র্স ওফ বোর্দরনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাক শন্না থারম্বা পোপি য়াম্থৎখিবগা লোয়ননা জর্মণ রোদতা ময়াই কাবা দ্রগশিং পুথোক পুশিন তৌরে হায়বা এস.পিগী ৱাফমা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইরি।

ইম্ফালদা শান্তিগী ৱারি শান্নবদা য়াওখিবা থাদৌগী লুচিংবা নেহাকম জোমহাও অসামদা তমথিনা হাৎলল্লে, লুপ কয়ানা সু লৌথোকবা দাবী তৌরক্লি হায়বা পাউ- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী, পিপলস ক্রোনিকল, পোকফম, সনালৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, গানফিউ মেল, হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেস, তামেংলোং তাইমস অমসুং মণিপুর মেলদসু অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- প্রাইম মিনিষ্টরগী মণিপুরগী খোঙচৎ মিজোরমগা পুনগদৌরিব্রা হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। সেপতেম্বর থা অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর মণিপুরদা লাক্লুবা য়ানা লৈরি হায়বা পাউ অসি- পিপলস ক্রোনিকল, তামেংলোং তাইমস, গানফিউ মেল অমদি হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমাইদা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মোদিগী মণিপুরগী খোঙচৎ হায়বা ৱাহৌদোক্কা লোয়ননা ওল পোলিতিকেল পার্তি মীতিং পাঙথোকপা অমসুং সি.এস.ওশিং উনবগী ৱাফম য়াওদ্রি হায়বা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফালদা মীতৈগী সি.এস.ওশিংগা ৱারি শান্নখিবা থাদৌ ইনপী মণিপুরগী মীহুৎশিংদা খূৎ থারক্লে, অসামগী থাদৌ লিতরেচর সোসাইতিগী চেয়রমেন নেকম জোমহাওবু য়ু.কে.দি.এ অমসুং কে.আর.এ নি চিংনবশিংনা মীহাৎ থিনা হাৎলম্লে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- কুকিশিংনা জর্মন রোদ হায়না খঙনরিবা লম্বী অসিদা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবগী রিপোর্ট লৈ হায়বা-নার্কোতিক্স এন্দ এফিয়র্স ওফ বোর্দরগী এস.পি.ৱাথম বাসুগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সনালৈবাক্তনা- চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা একর লিশিং ১৮,২১২.৪গী পোপী য়ান্থৎখ্রে, জর্মন রোদতা ময়াই কাবা দ্রগশিং পুথোক পুশিন তৌরি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ফম থাদোক্তবা তেন্দর মতম চানা তৌদবনা লম্বী থোংগী ফিভম শোকহনবনি হায়বা এম.এল.এ রামেস্বরগী ৱাফম- পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। ওর্গানিক্কী পোত্থোক থাদোকবা, অস্বাগন্ধ থানবগী য়ানা চেরোলশিং খুয়েক পীনখিবগী পাউ অমসু- পোকফম অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

নহারোলগী থৌদাংদা- মহৈরোইশিংনা মাই পাক্কে হায়রবদি থৌগল্লোন ঙাকা চৎপা তাই হায়বা স্পিকরগী ৱাফম অমসুং লোকেল কন্ত্রেক্তরশিং মিরাইরগা মপানগী ফার্মশিংদা থবক শিন্নখিবদগী লমদমসিগী শেন্মীৎলোন শোকচিল্লকপনি হায়বা এম.এল.এ ৱামেস্বরগী ৱাফমা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা- পাউমীগী মায়োক্তা চথখিবা থৌওংবু নাগা জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন মণিপুর অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়বা পাউ- চম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি-গানফিউ মেল অমসুং হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু অহানবা লমাইদা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**